অহানবা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক গেমস ২০১৮

# মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না ইম্ফালদা অহানবা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক গেমস ২০১৮ হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচএনএস) ঃ ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী ম্যেন ষ্টেদিয়মদা ঙসি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না অহানবা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক গেমস ২০১৮ হৌদোকখ্রে।

মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসন্না শীন্দুনা পাঙথোকপা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী ওইবা অহানবা ওলিম্পিক গেমস অসিগী হৌদোকপগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না ফোঙদোকখিবদা অৱাং নোংপোক লমদমদা তুংশিন্দুনা লৈরিবা হৈথোই শিংথোইবগী পোটেন্সিএল অদু হাংদোকপা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অৱাং নোংপোক লমদমদা মান্নবা নাৎ অমসুং শক-কুচুগী মীয়াম অসিনা ইন্দিয়াগী শান্নবগী লম্‌দা অচৌবা কাখল অমা লৌবা ঙম্লি। অহানবা ওলিম্পিক গেমস অসিনা লমদম অসোমদা তংদু লৈতাবা অমদি অমগা অমগা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবগী অচৌবা খোঙথাং অমা পায়খৎমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

মণিপুরদা নত্তনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী শান্নরোয়শিংনা ষ্টেটশিং অসিগীদা নত্তনা ইন্দিয়া অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মীংচৎ কয়া পুদুনা লাকপা ঙম্লি। নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক গেমস অসিনা অৱাং নোংপোক লমদমগী নহা ওইরিবা মীওইশিংগী টেলেন্টশিং অদু মশক খঙদোক্তুনা তুংদা মালেমগী থাক্তা মমিং চৎপা ঙম্নবগী তাঞ্জা অমা লৌবা ঙমগদৌরি হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী এদ্যুকেসনগী মিনিষ্টর অদুগা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা টি ঐচ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখিবদা অহানবা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক গেমস অসিনা অৱাং নোংপোক লমদমগী মীয়ামগী ওইবা তংদু লৈতাবা অমসুং অমগা অমগা নুংশিনবগী মরী অদু লাক্নবগী অচৌবা লম্বেল অমা শেম্বা ঙম্লগনি হায়খি। গেমস অসিনা লমদম অসিগী নহাশিংগী লৈরিবা টেলেন্টশিং অদু মখা তানা শেমগৎপা ঙমগনি হায়বগী থাজবসু থমখি।

ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ মঙানি চূপ্পা চত্থগদৌরিবা অহানবা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক গেমস অসিদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট ৮দগী লাকপা শান্নরোয় ২০০০ হেনবনা স্পোর্টস দিসিপ্লিন ১২দা অথোই অহেন তান্নগদৌরি। থৌরম অদুদা য়াসকী মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ, হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী যুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী মিনিষ্টর ডা. মোহেস চালসু শরুক য়াখি।

৩৪শুবা এন হজারি অমসুং ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮

# নম্বুল মপাল পোলো ক্লব অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব-বি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচএনএস) ঃ মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন (এম ঐচ আর পি এ) না শীন্দুনা মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লিবা ৩৪শুবা এন হজারি অমসুং ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা নম্বুল মপান পোলো ক্লব অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী) - বি মায় পাকখ্রে।

পানা ৩১না শরুক য়াদুনা নোক আউট বেসিসতা পাঙথোক্লিবা ৩৪শুবা এন হজারি অমসুং ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মরিশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা অহানবা গ্রাউন্দদা নম্বুল মপাল পোলো ক্লব অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো ক্লব শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা চক্র হেক হৌরকপদগী অরোইবা চক্র ফাওবদা নম্বুল মপাল পোলো ক্লবনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো ক্লবপু লাকচনা শান্নখি।

মেচ অদুগী অরোইবা চক্র লোইশিল্লকপদা নম্বুল মপাল পোলো ক্লবনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১০-১দা মায়থীবা পীখি। নম্বুল মপাল পোলো ক্লবকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১ মোইরাংথেম চাওবনা অহানবা চক্রগী মিনট ০.৩৮, অনীশুবা চক্রগী মিনট ০.৩০ অমসুং মরিশুবা চক্রগী মিনট ৩.৪২দা পূন্না পাঞ্জল ৩, জর্সি নম্বর ২ ও চীংলেনসনা অহানবা চক্রগী মিনট ১.৪১ অমসুং অহুমশুবা চক্রগী মিনট ২.২৫দা পূন্না পাঞ্জল ২, জর্সি নম্বর ৩ আর কে মঙালসনা অহুমশুবা চক্রগী মিনট ৩.১৪ অমসুং মরিশুবা চক্রগী মিনট ১.০৪দা পূন্না পাঞ্জল ২, জর্সি নম্বর ৫ এল তরুন (কেপ্তেন) না অহুমশুবা চক্রগী মিনট ২ অমসুং মরিশুবা চক্রগী মিনট ৬.০২দা পূন্না পাঞ্জল ২ অমদি জর্সি নম্বর ৪ কে রোমিওনা অনীশুবা চক্রগী মিনট ৪.১১দা পাঞ্জল ১ চনখি। মায়থীহৌরবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ১ ও ইনাও মীতৈনা অনীশুবা চক্রগী মিনট ২.৪০দা চনখি।



টুর্নামেন্ট অসিগী মঙাশুবা মেচ ওইনা অনীশুবা গ্রাউন্দদা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লব-বি অমসুং এম পি এস সী-বি লম্বা তৌনখি। অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদুগী অরোইবা চক্র লোইশিল্লকপদা এম পি এস সী-বিনা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্ট ক্লব-বিবু পাঞ্জল ১০-৩দা মায়থীবা পীখি।

মরিশুবা এদিসনগী সনফিষ্ট ২০১৮ হৌদোকখ্রে

# নেরোকা এফ সী-সী, কে ৱাই এফ এ-এ, য়ু সী ঐচ দব্লিজয়ু এ, এফ সী টাইদা, লিসা-এ, গোলাপতি ফুটবোল ষ্টার মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচএনএস) ঃ স্পোর্টস মেনেজমেন্ট প্রাইভেট লিমিটেদ (এস পি টি) গী মীৎয়েং মখাদা সনফিষ্ট কম্পেনিনা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মাইবা খুল দিভলপমেন্ট স্কুল মনাক্তা লৈবা মাইবা খুল য়ুনিয়ন ক্লবতা পাঙথোক্লিবা মরিশুবা এদিসনগী সনফিষ্ট কপ ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা চহী ১৩ মখাগী নুপামচাগী মেচশিংদা নেরোকা এফ সী-সী, কে ৱাই এফ এ-এ, য়ু সী ঐচ দব্লিয়ু এ, এফ সী টাইদা, লিসা-এ, গোলাপতি ফুটবোল ষ্টার, নজারেদ এফ সী, কে এস ৱাই সী, টি ঐচ ৱাই ও এফ সী, নেরোকা এফ সী-বি, গোল ষ্টার ক্লব, হোলি কিংদম স্কুল, টাকচাপা এফ সী, সরত ফুটবোল একাদেমি, নেরোকা এফ সী-এ অমসুং কংলাসা এফ সী মায় পাক্তুনা খুমাঙ চাওশিনখ্রে।



চহী ১৬ মখাগী নুপামচা টিম ৩৬ অমসুং চহী ১৩ মখাগী নুপামচা টিম ৪৮না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা মরিশুবা এদিসন সনফিষ্ট কপ ২০১৮গী চহী ১৩ মখাগী ১২শুবা মেচ ওইনা অহানবা গ্রাউন্দদা পিছ এফ সী অমসুং নেরোকা এফ সী-সী শান্নখিবা মেচ অদু নেরোকা এফ সী-সীনা গোল ১-০দা মায় পাকখি। নেরোকা এফ সীগী মায় পাকপগী গোল অদু জর্সি নম্বর ১২ রোনাল্ডোনা মেচকী ২৮শুবা মিনটতা চনখি।

১৩শুবা মেচ ওইনা অনীশুবা গ্রাউন্দদা কে ৱাই এফ এ-এ অমসুং পিপল ৱেলফ্যের ওর্গেনাইজেসন শান্নখিবা মেচ অদু কে ৱাই এফ এ-এনা গোল ২-০দা মায় পাকখি। কে ৱাই এফ এগী মায় পাকপগী গোল অদু জর্সি নম্বর ১৫ এল জোনসন্না মেচকী ২শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৭ এস লানঙম্বনা মেচকী ৮শুবা মিনটতা চনখি। ১৪শুবা মেচ ওইনা অহুমশুবা গ্রাউন্দদা লিসা-বি অমসুং য়ু সী ঐচ দব্লিয়ু এ শান্নখিবা মেচ অদু য়ু সী ঐচ দব্লিয়ু এনা পেনালটিদা গোল ৩-২দা মায় পাকখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫শুবা মেচ ওইনা মরিশুবা গ্রাউন্দদা এফ সী টাইদা অমসুং চিলচিল এফ সী শান্নখিবা মেচ অদু এফ সী টাইদানা গোল ২-০দা মায় পাকখি। এফ সী টাইদাগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ লাঙানলুন্না মেচকী ১৩শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১৯ জয়সন্না মেচকী ২৮শুবা মিনটতা চনখি।

১৬শুবা মেচ ওইনা মঙাশুবা গ্রাউন্দদা লিসা-এ অমসুং সাইন একাদেমি শান্নখিবা মেচ অদু লিসা-এনা গোল ৫-০দা মায় পাকখি। লিসা-এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ সাফিগুর রাথ্বান্না মেচকী ৮শুবা, ২৮শুবা অমসুং ৩০শুবা মিনটতা গোল ৩, জর্সি নম্বর ১১ শান্তিকুমরনা মেচকী ১৪শুবা অমদি জর্সি নম্বর ৭ এম সজাদনা মেচকী ২০শুবা মিনটতা গোল অমমম চনখি।

১৭শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী তরুকশুবা গ্রাউন্দদা য়ঙ কিটস এফ সী অমসুং গোলাপতি ফুটবোল ষ্টারস শান্নখিবা মেচ অদু গোলাপতি ফুটবোল ষ্টারসনা গোল ৪-০দা মায় পাকখি। গোপালপটি ফুটবোল ষ্টারসকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ নৱাজনা মেচকী ২শুবা, ১৩শুবা অমসুং ২৮শুবা মিনটতা গোল ৩ অমদি জর্সি নম্বর ১০ অবুংঙোনা মেচকী ৬শুবা মিনটতা গোল অমা চনখি। ১৮শুবা মেচ ওইনা ৭শুবা গ্রাউন্দদা সী ৱাই য়ু এফ সী অমসুং নজারেদ এফ সী শান্নগদবা মেচ অদু নজারেদ এফ সীনা ৱাক ওভরদা মায় পাকখি। ১৯শুবা মেচ ওইনা ৮শুবা গ্রাউন্দদা কে এস ৱাই সী অমসুং আর এ এফ এ শান্নখিবা মেচ অদু কে এস ৱাই সীনা গোল ২-০দা মায় পাকখি। কে এস ৱাই সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ কে জেনিয়সনা মেচকী ৬শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১৫ জিটেন্দ্রনা মেচকী ১৪শুবা মিনটতা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ১৩ মখাগী নুপামচাগী কাঙলূপকী ২০শুবা মেচ ওইনা ৯শুবা গ্রাউন্দদা টি ঐচ ৱাই ও এফ সী অমসুং কে ৱাই ভি ও শান্নগদবা মেচ অদু টি ঐচ ৱাই ও এফ সীনা ৱাক ওভরদা মায় পাকখি। ২১শুবা মেচ ওইনা কে ৱাই এফ এ-বি অমসুং নেরোকা এফ সী-বি শান্নখিবা মেচ অদু নেরোকা এফ সী-বিনা গোল ১-০দা মায় পাকখি। নেরোকা এফ সী-বিগী মায় পাকপগী গোল অদু জর্সি নম্বর ৩ এল তরুনকুমারনা মেচকী ২৯শুবা মিনটতা চনখি।


২২শুবা মেচ ওইনা ১১শুবা গ্রাউন্দদা মোরকোন হায় স্কুল অমসুং গোল ষ্টার ক্লব শান্নখিবা মেচ অদু গোল ষ্টার ক্লবনা গোল ২-০দা মায় পাকখি। গোল ষ্টার ক্লবকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু বিশ্বানাথনা মেচকী ৩শুবা অমসুং ১৯শুবা মিনটতা চনখিবনি। কেটেগোরি অসিগী ২৩শুবা মেচ ওইনা রুট ৱাইল্ড এফ সী অমসুং হোলি কিংদম স্কুল শান্নখিবা মেচ অদু হোলি কিংদমস স্কুলনা গোল ১-০দা মায় পাকখি। হোলি কিংদমসকী মায় পাকপগী গোল অদু জর্সি নম্বর ৩ গাইদিংথ্বাংনা মেচকী ১৩শুবা মিনটতা চনখিবনি।

২৪শুবা মেচ ওইনা টচাপা এফ সী অমসুং ৱাংজিং য়ুনাইটেদ শান্নখিবা মেচ অদু টচাপা এফ সীনা গোল ২-০দা মায় পাকখি। টচাপা এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ এম হাওকিপনা মেচকী ৩শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১১ কামলানমোন ভাইফৈনা মেচকী ৭শুবা মিনটতা চনখি। ২৫শুবা মেচ ওইনা সরত ফুটবোল একাদেমি অমসুং এম ৱাই দি সী শান্নখিবা মেচ অদু সরত ফুটবোল একাদেমিনা ৱাক ওভরদা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২৬শুবা মেচ ওইনা নেরোকা এফ সী-এ অমসুং এন এস সী শান্নখিবা মেচ অদু নেরোকা এফ সী-এনা গোল ১-০দা মায় পাকখি। মায় পাকপগী গোল অদু জর্সি নম্বর ৪ এন জি রোনাল্ডোনা মেচকী ৫শুবা মিনটতা চনখিবনি। ২৭শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অরোইবা গ্রাউন্দদা কংলাসা এফ সী অমসুং ইম্ফাল ভেল্লি শান্নখিবা মেচ অদু কংলাসা এফ সীনা গোল ১-০দা মায় পাকখি।

অহানবা এলাংবম পুর্নিমা দেবী মেমোরিএল ৱিমেন্স কাং টুর্নামেন্ট

# ঈচেল ক্লব দিবোং কাংখূৎনা এল ঈ সী বাবুপড়া কাংখূৎপু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস) ঃ দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিএসন (দি এ কে) জিরিবাম্না শীন্দুনা ঈ তোমচৌ অমদি মহাক্কী মচিন মনাওনা পূন্না খূৎশম্নদুনা লৈখিদ্রবা অপোকপী এলাংবম পুর্নিমাগী মমিংদা স্পোন্সর তৌদুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপড়াদা লৈবা লমলেন কম্যুনিতি হোল কম কাংশঙদা সেপ্টেম্বর ২৩দগী হৌদুনা চত্থরক্লিবা অহানবা এলাংবম পুর্নিমা দেবী মেমোরিএল ৱিমেন্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা ঈচেল ক্লব দিবোং কাংখূৎনা এল ঈ সী বাবুপড়া কাংখূৎপু মায়থীবা পীখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম কয়াদগী কাংখূৎশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা এলাংবম পুর্নিমা দেবী মেমোরিএল ৱিমেন্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মখা চত্থরকপা লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসি ঈচেল ক্লব দিবোং কাংখূৎ অমসুং এল ঈ সী বাবুপড়া কাংখূৎ লম্বা তৌনখি।

মেচ অদু ঈচেল ক্লব দিবোং কাংখূৎনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা এল ঈ সী বাবুপড়ানা কাং কাপ্পা হৌখি। কাংখূৎ অনীনা হেক হৌরকপদগী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবা অকনবা লম্বা তৌনদুনা কাপ্নখিবা কাং অদু লোইশিল্লকপদা ঈচেল ক্লব দিবোং কাংখূৎনা এল ঈ সী বাবুপড়া কাংখূৎপু পাঞ্জল ১২-৬তা মায়থীবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা এ ইবোতোন্না অম্পায়র অমসুং ও মঙ্গিনা স্কোর কিপর ওইনা শরুক য়াখি।

অহানবা এলাংবম পুর্নিমা দেবী মেমোরিএল ৱিমেন্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মখা চত্থরকপা লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা হয়েং এস এ ৱাই সী সোরোক অতিংবী কাংখূৎ অমসুং সনামহী কছার কাংখূৎকা শান্নগনি হায়রি।

তরাতরুকশুবা কিশোরকুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮

# এফ সীনা পি ৱাই সী অমসুং কে এম এস দব্লিয়ু সীনা দি ৱাই এ মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচএনএস) ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংনা এসোসিএসন অসিগী শান্নবুংদা ১৬শুবা কিশোর কুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা এফ সী লমজাওনা পি ৱাই সী কৈরক অমসুং কে এম এস দব্লিয়ু সী কৈরক্না দি ৱাই এ এলাং খাংপোকপী মায়থীবা পীখ্রে।



টিম তরুক্না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ১৬শুবা কিশোর কুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন লীগ ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ১৩শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দগী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা এফ সী লমজাও অমসং পি ৱাই সী কৈরক শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা ফজনা শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল ২-২দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী লোইবা ফাওবা এফ সী লমজাওনা পি ৱাই সীবু লাকচনা শান্নখি। মেচ অদু এফ সী লমজাওনা পি ৱাই সী কৈরকপু গোল ৭-২দা মায়থীবা পীখি। এফ সী লমজাওগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ এল কিষন্না মেচকী ২৩শুবা অমসুং মেচকী ৫৭শুবা মিনটতা গোল ২, জর্সি নম্বর ১৫ এম সনায়াইমনা মেচকী ২৭শুবা, জর্সি নম্বর ১৮ দিনেসনা মেচকী ৩২শুবা, জর্সি নম্বর ৪ বোরিসনা মেচকী ৫০শুবা, জর্সি নম্বর ১৪ দিলিপকুমারনা মেচকী ৫৯শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১১ এদিলিওন্না মেচকী ৬০শুবা মিনটতা গোল অমমম চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৪শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দগী নুংথিল পুং ৩.২০ তাবা মতমদা কে এম এস দব্লিয়ু সী কৈরক অমসুং দি ৱাই এ এলাং খাংপোকপী শান্নখিবা মেচ অদু কে এম এস দব্লিয়ু সীনা দি ৱাই এবু গোল ৩-২দা মায়থীবা পীখি। কে এম এস দব্লিয়ু সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ নুসারতনা মেচকী ২শুবা অমসুং মেচকী ২০শুবা মিনটতা গোল ২, জর্সি নম্বর ১৭ এম দি বিরেন্না মেচকী ১০শুবা মিনটতা চনখিবনি। মায়থীহৌরবা দি ৱাই এগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৮ টি ঐচ নেত্রজিৎনা মেচকী ১৯শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১০ দব্লিয়ু সদানন্দনা মেচকী ৫৭শুবা মিনটতা চনখিবনি।

HL-B/4943/25/10-22/12 (alt.)

# ষ্টেট লেভেল হোকি চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচএনএস) ঃ মণিপুর হোকিনা শীন্দুনা নবেম্বর ১৪দগী ২৫ ফাওবা খুমন লম্পাক্কী ষ্ট্রোটর্ফ হোকি ষ্টেদিয়মদা মেন্স এন্দ ৱিমেন্স ওপন ষ্টেট লেভেল হোকি চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী অকূপ্পা মরোলগীদমক থা অসিগী ২৮দগী নবেম্বর ২ ফাওবগী অয়ূক পুং ৭তগী ৯ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর হোকি খুমন লম্পাক্তা লাক্তুনা খঙলবা য়াগনি হায়রি।

৮শুবা মজারুন বি বি মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

# এন এল সী অমসুং মিরপুর এফ সী মায় পাকখ্রে

জিরিবাম, ওক্টোবর ২৪ (ঐচ এন এস) ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) জিরিবাম মণিপুরনা শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা থা অসিগী ৩দগী হৌদুনা চত্থরক্লিবা ৮শুবা মজারুন বি বি মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা সুপর লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা এন এল সী উচাথোন অমসুং মিরপুর এফ সী মায় পাকখ্রে।

ক্লব ৮না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ৮শুবা মজারুন বি বি মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মখা চত্থরকপা সুপর লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এন এল সী উচাথোন অমসুং আর ৱাই সী রমগ্রাইজাং শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্ল-কপদা এন এল সীনা আর ৱাই সীবু গোল ৫-৩দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সুপর লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা মিরপুর এফ সী অমসুং মোকামলুং এফ সী শান্নগদবা মেচ অদু মোকামলুং এফ সী লাক্তবদগী মিরপুর এফ সীনা ৱাক ওভর ফংদুনা মায় পাকখি।

ঙসিগী মেচ অদুদা জিওল ভালতে, এম অমরজিৎ, অনিলকুমার অমদি সেমনা সেন্তর রেফ্রি, এ আর ৱান, এ আর টু অমদি ফোর্থ রেফ্রি ওইনা শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা সুপর লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা থা অসিগী ২৯দা মিরপুর এফ সীগা এন এল সী উচাথোনগা লম্বা তৌনগনি হায়রি।




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com